# জুদো মশান্নগী অহানবা এন আই এসনি হায়বসি রেদিওদা ইন্টরভিয়ু তৌজরুবদগী খঙবীরকখিবনি : কাঙজমঁ চন্দ্র




(হান্নগী মখা...)

কুমজা ১৯৭৮গী নবেম্বর থাদা জোনস্টোন স্কুলদা তৌখিবা মার্সেল আর্টসকী, জুদোগী শো অদু ক্যামগৈদগী জুদো তোম্বা হায়না খঙনবা ওজা অসিনা মরুওইনা শিল্লগা পাঙথোকপা ওইনা তৌরমখি। মশামক্তি জুদোগী, মার্সেল আর্টসকী সার্টিফিকেটনচিংবা পায়দ্রগসু এস এস বিগী থবক তৌদুনা লৈরিঙৈদা দিফেন্সকী ওইনা তল্লকপা এক্সর্সাইজ মখলশিং লোয়ননা মার্সেল আর্টসকী কাঙলোনশিংদু মহাক্না অঙাংশিংদা তম্বীরগা মীয়ামদা খঙহন্নবা অদুগুম্বা মখলগী শো ওইরমখি। জুদো হায়না লাউথোক্লগা অঙাংশিংদু অমুবা মচুগী ফুরিৎ অমমম লীৎলগা থোরকপসু য়াওই। হায়রিবা শো অদুদা শিলোংরোমদগী লাকপা মীওই অহুম মরিসু য়াওবগুম তৌই। ঐদি মতমদুদা জুদোগী ত্রেনিং লোইরগা থোরকপদা ঙাইরিবা মতাং ওইদুনা তৌরিবা মওংদু মরীং-মরাংগুম থোকখি, খিত্তংসু নুংঙাইতবা ফাওখি। করিনোনে হায়বা ৱাখল অমসু ফাওহনখি। জুদো হায়বসি করম্বা মখলগী মশান্ননো খঙলুবনা ইশাসিদা লৈতাফম খঙখিদে।

অসুক ফজখ্রবা মশান্না অসি মণিপুরদা লান্না চৎখিবা তারে খন্দুনা ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা ঐহাক চুমদ্রি চৎখি। মতমদুদা রেদিও ষ্টেসনসি হৌজিক গভর্ণর লৈরিবসিগী নাকন্দা অপীকপা মফম অমা কন্দুনা লৈরম্মী। ঐহাক্না ওফিসতুদা প্রপ-প্রপ চঙশিল্লগা মরুওইবা ওফিসিএল ওইরিবা মীওইশিং খরা উনজদুনা জুদোগী মতাংদা অশেংবা ৱারোলশিং নিংথিনা তমদুনা ৱারী শানজরে। মদুদা রেদিওগী কাঙবুনা ফরে অদুদি ওজা ইন্টরভিয়ু অমা তৌরসি হায়নরে। খুদক্তুদা প্রোগ্রাম অমা শেন্নগা ঐনা তৌজরকপা ত্রেনিংদুগা লোয়ননা জুদোগী মতাংদা মরীক চুম্বা ৱাহং পাউখুম তৌনরে। অদুগা জুদো হায়বা গেম মখলসি শান্নগে হায়রবদি করি করম্বা ফিজোল



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**অকাউ পরৈ চল্লুরবশিং**

শেৎ চাগদগে হায়বসিসুময়েক শেংনা ফোঙদোক্লে। প্রোগ্রামদু তৌজরুবদগী ইশাসি শ্বর চনিং তানা হোন্থরগা ঐসু য়ূমদা নুংঙাইনা হল্লক্লে। ইন্টরভিয়ুদু মতম পংশাং শাংনা লৌবদি নত্তে। অদুবু অতেনবা মতম ওইজরগসু জুদো হায়বসি কদাইদগী হৌরকপনো? করম্না শান্নগনি? লোয়ননা শান্নবা মতমদা করি করি ফিজোল শেৎ চাগদগে হায়বনচিংবদি য়াম্না শেংনা ফোঙদোক্লমখি।

রেদিওদা প্রোগ্রামদু শন্দোকখিবা নুমিৎ নীনি লৈরগা ওল মণিপুর জুদো এন্দ করাটে এসোসিএসন (অমজাকা) গী জুদোগী কোচ ওইবিয়ু হায়দুনা ঐবু কন্টেক্ট তৌবা লাকখি। জুদো এন্দ করাটে এসোসিএসন হায়বসিদা মার্সেল আর্ট পামজবা মীওই কয়াসু মহৈ অসি তম্বা লাক্লখি। ঐহাকসু ত্রেনিং লোইরগা থোরকপদা ঙাইরিবা মতম ওইদুনা জুদো তম্বীবগী ৱাফমদু হোয় হায়দুনা অয়াবা পীজখি। অদুদগী ঐহাক অমজাকাগী অঙাংশিং জুদো তম্বীবা নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক্তা কোনুং কম্পাউন্দ তান্না লাকখি। মতমদুদদি সাইকল ঙাক্তনি। মালোমদগী সাইকলদা পুং ৬ নংননবা থৌরকখি। অয়ূক্কী পুং ৬তগী ৮ ফাওবা চাং নাইনা অঙাংশিং তাকপী-তম্বীরকখি। ঐহাকসু মণিপুর মীয়াম্না জুদোগী কোচনি হায়না শকখঙবীখিবা অসিদি ওল ইন্দিয়া রেদিও ইম্ফালদা ইন্টরভিয়ু তৌজরুবদগীনি। মতমদুদগী ঐহাক্না খঙজখি, রেদিও হায়বসি য়াম্না মতিক ময়াই লৈবা মফমনি। মণিপুর পূম্বদা ঐহাকপু জুদোগী আহনবা এন আই এস কোচনি হায়বসি রেদিওনা খঙহনবীখিবনি।

অমজাকাদসু অঙাংশিং তাকপী তম্বীবসিদা মণিপুরগী মপান্দা লাইরিক লাইশু তম্বা চৎনরুবা লক্ষনৌদগী, হায়দ্রবাদতগী টাইক্বান্দো তল্লকপা খরসু ওজা ওইবা য়াওশিল্লকখি। য়েল্লো বেলট, ব্লেক বেল্টশিং ফংবা মখোয় খরগা অমজাকাগী প্লেয়রশিং পূন্না মতম খায়দোক্লরগা ত্রেনিং তৌমিন্নরকখি।

টাইক্বান্দো তম্বীবশিংনা য়ূন্নাম লৈকায়দগী নিল্লকান্ত, কাঙবম লৈকায়দগী কিরন, করাটেসিদনা শগোলবন্দদগী খোইবী সলাম হায়রিবা ময়ামসিনা তম্বীরকখি। চাং নাইনা তম্বীবদগী অফবা নুপামচা-নুপীমচা মশক নাইবা প্লেয়র অদুমক থোরকখি। মতমদুদা শান্নবা পামজবগী থোরক্লিবা অঙাংশিংদু য়াম্নসু থৱায় য়াওই। মতম চানসু লাকই। দিসিপ্লিন অমগী মখাদা কাঙলোন চুম্না তম্বীবনিনা জুদোদা, টাইক্বান্দোদা মখোঙ-মখুৎ হৈশিংবা অচঙবা প্লেয়রশিং ময়েক শেংনা চোঙথোরকখি।

মণিপুরদা জুদোগী অশেংবা মশক অমা খঙহন্দুনা তাকচরকখিবসিদি ঐহাক ইশামক্ননি। চহী অমা চুপ্না জপানিষ্ট মাষ্টরশিংদসু ফংজখিবা ত্রেনিংদুমক ইচাশিং-ইনাওশিংদা ঐহাক্না অমুক তাকচখি। কুমজা ১৯৭৮-৭৯গী মতমসিদা শান্নরোয় মপৈ-মপৈ অমজাকাদা থোমজিন্নরকখি। মখোয় অয়াম্বনা পাম্না চঙনরকখিবদি চোঙবা-ফনবা, কাওন-থিন্নবা, ফূন-কাঙলোন কয়া হৈনীংবদগীনি। শান্নবা পামদুনা অমজাকাদা লাকখিবা অঙাংশিং হেক চঙলকপগা কাওনবা, থিন্নবা, পূনবা অদুগুম্বা ঙাক্তা অহানবা ওইনা হৈনীংখি।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৪

১। মণিপুরগী করম্বা মফমদা গ্রাসকোর্টকী টেনিস কোর্ট শেমদুনা টেনিস শান্নরম্বগে?

২। ব্রাজিলগী পেলেনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা ওফিসিএলগী ওইবা থৌরম অমা চৎপদা মহারানি ইলিজাবেথ অনীশুবনা মঙোন্দা ইংলিস ক্লব অমদা ফুটবোল শান্নবা য়াওহন্নীংই হায়খি। করম্বা ইংলিস ক্লবতা মহারানিনা মহাকপু য়াওহন্নীংই হায়খিবনো?

৩। ইন্দিয়ানা হেক নীংতম্বা চহীদগী কুমজা ১৯৫৪ ফাওবা মণিপুরদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈ অদু করম্বনো?

৪। কুমজা ১৯৯৬তা অটলান্টাদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা মহাক চহী ৯৮ শুখ্রে। মহাক ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা নুপানি অমদি ওলিম্পিয়ানশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাংনা চহী ১০০ হেন্না পুন্সিখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? →



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## কেরোম কম্পিটিসন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) ঃ

ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসন (এ এম সী এ) না শীন্দুনা থা অসিগী ১ দগী হৌদুনা চথরক্লিবা ১দগী ৮ ফাওবদা লৈবা ষ্টেট রেঙ্কিং কেরোম প্লেয়রশিংগী ওইবা নন রেসিদেন্সিএল কোচিং কেম্প অসিগী শরুক অমা ওইনা নন রেঙ্কিং প্লেয়রশিংগী ওইবা কেরোম কম্পিটিসন অমা ঙসি মপান কাংজেবুংদা লৈবা ওল মণিপুর কেরোম এসোসিএসন্দা পাঙথো-কখ্রে। কম্পিটিসন অসিদা ইম্ফাল ইষ্টকী এম মাইকেলনা চেম্পিয়ন, ইম্ফাল ইষ্টকী অতোপ্পা শান্নরোয় টি ঐচ মোইরাংসম্নানা রন্নর্স-অপ অমসুং ইম্ফাল ইষ্টকী চীংলেন্না অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

## মণিপুরনা নাগালেন্দবু ৱিকেট ৭তা থোইখ্রে

দিমাপুর, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী) ঃ রঞ্জি ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপকী মঙাশুবা রাউন্দদা মণিপুর অমসুং নাগালেন্দ লম্বা তৌনবদা মণিপুরনা ৱিকেট ৭তা থোইবা ঙমখ্রে। নাগালেন্দগী দিমাপুরদা থা অসিগী ৬তগী শান্নবা হৌখিবা রঞ্জি ত্রোফি প্লেট গ্রুপকী মঙাশুবা রাউন্দ অদুদা মণিপুরনা টোস ঙমদুনা হান্না বোল্লিং তৌখি। নাগালেন্দনা অহানবা ইন্নিংসতা রন ১২৬ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা মণিপুরগী টিম্না অহানবা ইন্নিংসতা রন ৩৩৬ লৌখি। ইন্নিংস অদুদা মণিপুরগী বেটসমেন ময়াঙ্ক রাঘবনা রন ২২৮ লৌদুনা য়াম্না ফজবা ইন্নিংস অমা শান্নখি। মণিপুরদগী রন ২১০ শোথরবা নাগালেন্দনা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংসতা হান্নগী মশান্না অদুদগী ফজবা হেল্লক্তুনা রন ৩৩৪ লৌখি। ইন্নিংস অদুদা কে বি পৱন্না রন ১৩১ অদুগা অব্রার কাজিনা রন ৯০ লৌবা ঙমখিবা অদুনা ফজবা ওইখি।

মেচ অদুদা মণিপুরনা মায় পাক্নবা অনীশুবা ইন্নিংসতা রন ১২৫ লৌবগী টার্গেট লৈখি। মদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা মণিপুরগী মায়কৈদগী ওপনর লখন রাৱটনা রন ৫৫ লৌখিবা লোয়ননা অহানবা ইন্নিংসতা রন ২২৮ লৌখিবা ময়াঙ্ক রাঘবনা রন ২৭ য়ৈরম্বা অদুগা কেপ্তেন য়াসপাল সিংহনা আউট ওইদনা রন ৩৫ লৌখিবা অদুনা মরম ওইরগা অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা মণিপুরগী বেটসমেন অহুম আউট ওইরগা রন ১২৮ লৌবদগী নাগালেন্দবু মখোয়না ৱিকেট ৭তা থোইখি। পোইন্ট টেবলদা প্লেট গ্রুপকী ওইনা মণিপুর মেচ ৫ শান্নবদা পোইন্ট ১২ ফংলগা ৬শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

১৩শুবা চীফ মিনিষ্টর ত্রোফি ২০১৮

## এন বি কে এ কাংখূৎনা য়াইস্কুল কাংখূৎপু মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ০৯ (ঐচ এন এস) ঃ

মণিপুর কাং এসোসিএসনগী মখাদা বমদিয়রদা লৈবা চীংথাং লাইরেম্বী কাংশঙদা পাঙথোক্লিবা ১৩রকশুবা চীফ মিনিষ্টর ত্রোফি ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচতা এন বি কে এ কাংখূৎনা য়াইস্কুল কাংখূৎপু মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙখ্রে।

কাংখূৎ ১২না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্না খাইদোক্তুনা পাঙথোক্লিবা ১৩শুবা চীফ মিনিষ্টর ত্রোফি ২০১৮গী অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা ঙসি য়াইস্কুল কাংখূৎ অমদি এন বি কে এ কাংখূৎ লম্বা তৌনখি। মেচ অদু য়াইস্কুল কেন্দ্রনা টোস ঙমদুনা কাং কাপ্পা হৌখি। অদুগা এন বি কে এ কাংখূৎনা মায়কৈ খনখি।

কাংখূৎ অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা তৌদুনা কাপ্নখিবা কাং অদুগী অরোইবা তাঙ্কক লোইশিল্লকপদা এন বি কে এ কাংখূৎনা য়াইস্কুল কেন্দ্র কাংখূৎপু পাঞ্জল ২২-১০দা মায়থীবা পীরল্লগা সেমী ফাইনেল চঙবা ঙমখিবা অনীশুবা কাংখূৎ ওইখিবনি।

১৩রকশুবা চীফ মিনিষ্টর ত্রোফি ২০১৮গী মখা চথরকপা অমদি অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেচ ওইনা হয়েং গোপাল দেব কাংখূৎ অমসুং এন এম কে কাংখূৎ শান্নগনি হায়রি।

## ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ৫৩শুবা মেচতা মণিপুর মচা উদান্তাগী পাঞ্জলনা বেঙ্গলুরু এফ সীবু মুম্বাই সিটি এফ সীনা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎহনখ্রে

বেঙ্গালুরু, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগকী খ্বাইদগী থাক ৱাংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট ওইরিবা হিরো ইন্দিয়ন সুপর লীগকী ঙসি বেঙ্গালুরুদা লৈবা শ্রী কান্টিরভা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ৫৩শুবা লীগ মেচ অদুদা য়ূম্বু ক্লব ওইখিবা বেঙ্গালুরু এফ সীগী মায়কৈদগী মণিপুর মচা উদান্তানা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা মুম্বাই সিটি এফ সীগী লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ১-১দা চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

মুম্বাই সিটি এফ সী অমসুং বেঙ্গালুরু এফ সীনা শান্নখিবা ইন্দিয়ন সুপর লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী ৫৩শুবা মেচ অদুদা হৌরকপদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা মান্নদুনা লৈখি।

পনবা য়াবদি, ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা বেঙ্গালুরু এফ সী ঙসিগী মেচ অসিগী মাঙওইননা পূন্না মেচ ৯ শান্নখিবদা মেচ অমত্তা মায়থীদনা মেচ ৭ মায় পাক্লগা দ্রো ২ চৎতুনা পোইন্ট ২৩ ফংলগা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলগী মকোক্তা লৈরিবনি। নাকল অমরোমদা মুম্বাই সিটি এফ সী মেচ ১০ শান্নখিবদা ৬ মায় পাক্লগা ২ দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ২ মায়থীদুনা পোইন্ট ২০ ফংলগা অহুমশুবা থাক্তা লৈরম্বনি।



মেচকী ২৩শুবা মিনটতা ঙসিগী মেচ অসিগী য়ূম্বু ওইখিবা বেঙ্গালুরু এফ সীগী মায়কৈদগী আর ভেকেনা পীরকপা পাস অমদা টিমমেট মণিপুরদগী হৌখিবা উদান্তানা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মুম্বাই সিটি এফ সীবু ঙন্না পাঞ্জল ১-০দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিদা মমাঙদা লৈখিবা মওংদগী হেন্না ফগৎনবা হোৎনরকখিবা মুম্বাই সিটি এফ সী পাঞ্জল অমা শোথরবা মতুং ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকপদা মায় পাকপা ঙমখি। শান্নবগী ৩১শুবা মিনটতা টিম অদুগী এ ইসোকুরনা পীশিল্লকপা বোল অমা টিমমেট এম সোগোনা পাঞ্জল চন্দুনা বেঙ্গালুরু এফ সীনা মাঙজিল থাদুনা লৈরম্বা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্বদগী লেং মান্নবা মওংদা অহানবা হাফ অদু টিম অনীমক ১-১দা লৈনখি।

অনীশুবা হাফতা বেঙ্গালুরু এফ সীগী মায়কৈদগী শান্নরোয় অহুম নৌনা চঙহন্দুনা মুম্বাই সিটি এফ সীবু লাকশিন্ননবা হোৎনরকখি। নাকল অমরোমদা, মুম্বাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগীদি অনীশুবা অদুগী অঙনবা শরুক্তা শান্নবরোয় অমত্তা শিন্দোক্তনা হান্না শান্নখিবা শান্নরোয়শিং অদুগী ফজবা অদু অদুমক মখা চথহনখি।

মেচকী অনীশুবা হাফ অদুগী অয়াম্বা মতম টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা অহেনবা পাঞ্জল হাপচিন্নবা হোৎনরবসু ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী অপীবা মতম মিনট ৯০ অদু লাম্থোক্তুনা ইঞ্জুরি টাইমগী অহেনবা মিনট ৩ হাপ্লবসু টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী অহানবা হাফতা চন্নখিবা পাঞ্জল অমমমদগী হাপচিনবা ঙমদনা ১-১দা দ্রো চৎখি।

দ্রো অদুনা মরম ওইদুনা বেঙ্গালুরু এফ সী অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সী পোইন্ট অমমম য়েন্নখি। পোইন্ট টেবলদা বেঙ্গালুরু এফ সী মেচ ১০ শান্নবদা পোইন্ট ২৪ ফংলগা অদুমক মাঙজিল থারি। মুম্বাই সিটি এফ সীনা মেচ ১১দা পোইন্ট ২১ ফংলগা নোর্থ ইষ্ট য়ুনাইটেদতগী পোইন্ট ১ হেল্লগা অনীশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লি।

## হোকি মেন্স ৱর্ল্ড কপ্তা জর্মনিনা মলেসিয়াবু পাঞ্জল ৫-৩দা অদুগা নেদরলেন্সনা পাকিস্তানবু ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে

ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ওরিষা ষ্টেটকী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা হোকি ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৮দগী হৌখিবা ১৪রকশুবা হোকি মেন্স ৱর্ল্ড কপ টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ঙসি শান্নখিবা পূল 'দি'গী মেচশিংদা জর্মনিনা মলেসিয়াবু পাঞ্জল ৫-৩দা অদুগা নেদরলেন্দসনা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ৫-১দা মায়থীবা পীখ্রে।

পূল 'দি'গী অহানবা মেচ অদুদা জর্মনিনা মলেসিয়াগা লম্বা তৌনখিবদা হৌরকপগী হৌনা জর্মনিনা খুদুম চনবা ঙমখি। মেচকী হৌরকপা ২শুবা মিনটতা জর্মনিনা পুশিনখিবা এটেক্ট অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংদুনা টিম হর্সব্রুসনা পাঞ্জল ওস্থোক্তুনা মাংজিল থাদুনা লৈখি। মখাতানা জর্মনিগী মায়কৈদগী এটেক্ট চথখিবা অদু শান্নবগী অহানবা ক্বার্টর লোয়রমদাই খুদোংচাবা অমা ফংদুনা খৃষ্টোফর রুরনা পেনাল্টি কোর্নর অমবু পাঞ্জল ওস্থোক্তুনা ২-০দা হেন্দুনা লৈখি।

মেচ অদুগী অনীশুবা ক্বার্টরদা খৃষ্টোফর রুরনা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা স্কোর অদু মখাতানা মাংজিল থাবা ঙমখি। মলেসিয়াগী মায়কৈদগী শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা রাজে রাহিমনা পেনাল্টি কোর্নর অমা চন্দুনা শোথখিবা পাঞ্জল ৩গী মনুংদা অমা হন্দোকপা হৌখি। অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা মলেসিয়াগী নাবিল নূরনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু পাঞ্জল ওস্থোক্তুনা মেচকী অহানবা হাফ লোয়শিল্লকপদা জর্মনিনা পাঞ্জল ৩ অদু মলেসিয়ানা পাঞ্জল ২ লৈখি।

জর্মনি অমসুং মলেসিয়াগী মেচ অদুগী অহুমশুবা ক্বার্টর অদুগী হৌরকপা য়াম্না কুইদ্রিঙৈ মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা টিম অদুগী শান্নরোয় মার্কো মিল্টকোনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা স্কোর বোর্দতা পাঞ্জস ৪-২দা লৈখি। মলেসিয়াগী মায়কৈদগী শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা রাজে রহিমনা পাঞ্জল অমা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা চন্দুনা স্কোর বোর্দতা টিম অদুগী পাঞ্জল ৩ অদুগা জর্মনিগী পাঞ্জল ৪ লৈখি। শান্নবা লোয়গদবা মিনট অমত্তা ঙাইরবা মতমদা জর্মনিগী শান্নরোয় মাথিয়াস মুলরনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা মেচ অদু মখোয়না মলেসিয়াবু ৫-৩দা থোইখি।

ঙসি শান্নখিবা পূল 'দি'গী অতোপ্পা মেচ অমদা নেদরলেন্দসনা পাকিস্তানগা লম্বা তৌনবদা পাঞ্জল ৫-১দা থোইবা ঙমখি। মেচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৭শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসগী থিএরি ব্রিঙ্কমেননা ফিল্ড গোল অমা চল্লগা মাংজিল থাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৯শুবা মিনটতা পাকিস্তানগী মায়কৈদগী চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংদুনা খুদোংচাবা অদু ওমর ভুটান্না পাঞ্জল ওস্থোক্তুনা নেদরলেন্দসকা পাঞ্জল মান্নবা ঙমখি। অনীশুবা ক্বার্টর অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী লম্বা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুবু নেদরলেন্দসকী ভেলন্টিন ভরগানা য়াম্না ফজবা ফিল্ড গোল অমা মেচকী ২৭শুবা মিনটতা চন্দুনা পাকিস্তানবু ২-১দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাফতা পাকিস্তানগী শান্নরোয়শিংনা শোথখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা হোৎনরিঙৈ নেদরলেন্দসকী মায়কৈদগী মেচকী ৩৭শুবা মিনটতা বোব ভোবনা ফিল্ড গোল অমগা চন্দুনা স্কোর বোর্দতা ৩-১দা পাকিস্তানবু মখোয়না হেন্দুনা লৈখি।

শান্নবগী অরোইবা অমদি মরিশুবা ক্বার্টরদা নেদরলেন্দসকী এটেকশিং অদুবু পাকিস্তানগী শান্নরোয়শিংনা মায়োক্নবদা অৱাবা অমা ওইখি। পাঞ্জল ৩-১দা মাঙজিল থাবা ঙল্লবা নেদরলেন্দসনা মেচকী ৪৭শুবা মিনটতা জোরিক ক্রুনা পেনালটি কোর্নর অমগী মতেংদা টিম অদুগী মরিশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা পাকিস্তানবু ৪-১দা হেন্দুনা লৈখি।

মেচ লোইগদবা মতম য়ামশিল্লক্ত্রবা ৫৯শুবা মিনটতা নেদরলেন্দসকী অতোপ্পা শান্নরোয় ৱার্দেন মিঙ্কনা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখিবা অদু শোয়হন্দনা পাঞ্জল ওস্থোকপা ঙমখিবদগী পাকিস্তানবু মখোয়না পাঞ্জল ৫-১দা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা চথরিবা হোকি মেন্স ৱর্ল্ড কপ ২০১৮গী পুলগী অরোইবা মেচ অদুদা মায় পাক্তুনা নেদরলেন্দসকী টিম ক্রোস ওভরগীদমক ক্বালিফাই ওইখি।

টুর্নামেন্ট অসি মমাঙদা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্টশিংদগী চৎন-কাঙলেনা খরা হোংদোক্তুনা পুল মরিদা মকোক তাবা টিমশিং অদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌরবা মতুং অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈহৌবা টিমশিং অদুনা ক্রোস ওভর মেচ শান্নদুনা মায় পাক্লবা মতুং ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবগী তাঞ্জা অমা থল্লি।

থা অসিগী ১০দা ক্রোস ওভরগী অহানবা মেচ ওইনা ইংলেন্দ অমসুং ন্যুজিলেন্দ শান্নগনি। মখোয় অনীগী অথোইবা অদুনা অর্জেন্টিনাগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরি। নুমিৎ অদুমক্তদা ফ্রান্স অমসুং চাইনা শান্নরগা মখোয় অনীগী মায় পাকপা টিম অদুনা ওস্ট্রেলিয়াগা ক্বার্টর ফাইনেল থেংনগদৌরিবনি। বেলজিয়ম অমসুং পাকিস্তান দিসেম্বর ১১দা শান্নরগা অথোইবা অদুনা জর্মনিগা লম্বা তৌনগনি। অদুগা নুমিৎ অদুমক্তদা নেদরলেন্দস অমসুং কনাদাগী অথোইবা টিম অদুনা ইন্দিয়াগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদৌরি।



## অহানবা টেষ্ট মেচ মায় পাক্নবা ওষ্ট্রেলিয়ানা অরোইবা নুমিৎতা রন ২১৯ লৌবগী টার্গেট লৈরি



এদলেদ, দিসেম্বর ০৯ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়া অমসুং ওষ্ট্রেলিয়ানা শান্নবা ক্রিকেট টেষ্ট মেচ সেরিজকী অহানবা মেচ অদু ঙসি মরিনী শুবা নুমিৎতা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংসতা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১০৪ লৌখিবদগী মেচ অদু মায় পাক্নবা হয়েং অরোইবা অমদি মঙানিশুবা নুমিৎতা রন ২১৯ লৌবগী মথৌ তারি।

মেচ অদুগী টোস ইন্দিয়ানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখিবনি। ইন্দিয়াগী চিটেশ্বর পুজারানা অহানবা ইন্নিংসতা রন ১২৩ লৌদুনা অতোপ্পা বেটসমে-নশিংনা শোথরুরবা তাঞ্জা অমা ফুক্কৎতুনা স্কোর অদু অহানবা ইন্নিংস লোইশিল্লকপদা ২৫০ য়ৌহনখি।

মদুগী পাউখুমদা ওষ্ট্রেলিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা তরুকশুবা বেটসমেন ত্রাভিস হেদনা রন ৭২ লৌখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা বেটসমেনশিংগী পার্ফোমেন্স ফজবা ঙমখিদবদগী মখোয়গী অহানবা ইন্নিংসকী স্কোর অদু রন ২৩৫দা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী বোলরশিংগী মায়কৈদগী ফাষ্ট বোল্লর জসপ্রিট বুমরা অমসুং স্পিনর রবিচন্দ্রন অশ্বিননা ৱিকেট ৩/৩ লৌখিবা অমদি ইসান শর্ম্মাগা লোয়ননা অতোপ্পা সিম বোলর মোহম্মদ সামিনা ৱিকেট ২/২ লৌখিবা অদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অদু রত ২৩৫দা তেনশিলহনখিবনি।

ইন্দিয়ানা ওষ্ট্রেলিয়াদগী রন ১৫ হেন্দুনা অনীশুবা ইন্নিংস শান্নবা হৌরকখি। মদুদা অহানবা ইন্নিংসতা শোয়খিবা ওপনর লোকেস রাহুল রন ৪৪ য়ৌবা ঙমখি। লোয়ননা সেঞ্চুরি লৌবা ঙমখিবা চিটেশ্বর পুজারাসু রন ৭১ লৌবা ঙমখি। কেপ্তেন ভিরাট কোলি অহানবা ইন্নিংসতা শুপ্নগী রন ৩খক লৌখিবা অদু অনীশুবা ইন্নিংসতদি রন ৩৪ য়ৌবা ঙমখি।

নহা ওইরিবা অজিঙ্কয়া রহানে অহানবা ইন্নিংসতা রন ১৩খক লৌখ্রবসু অনীশুবা ইন্নিংসতা রন ৭০ লৌদুনা ইন্দিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা রন ৩০৭ য়ৌহনবা ঙমখি। ওষ্ট্রেলিয়াগী বোলর নেসন লিওন্না ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ৬ আউট তাহন্দুনা খ্বাইদগী ফজবা বোলর ওইখি।

মায় পাক্নবা ওষ্ট্রেলিয়ানা রন ৩২৩গী টার্গেট অদু লৌনবা হোৎনরকপদা ঙসি মরিশুবা নুমিৎকী শান্নবদা ৱিকেট ৪ তুরগা রন ১০৪ লৌদুনা হয়েং অরোইবা নুমিৎতা রন ২১৯ মখা তানা লৌবগী টার্গেট লৈরি।